*"চোলোম হায়বসি সংস্কৃত শব্দ 'চলন' দগী লাকপা ওইরবসু পুয়ানচিংবা মৈতৈগী থেঙ্গৌদগী হৌরকপা নুপা জগোয় অমনি।" - আর কে বিদুর (ৰাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল)*

# শৈরেং

## হাদা পলেম নুংশিবী

**—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লরবোন্দ**

কোরৌগী য়াক্লবা মৈশাদা
লৌবুক্কী শারবা ঈশিংদা
হুস্লকপা অশাবা নুংশিৎতা
নাপী মল্লীবী পলেম সে
নত্তবরনে ঐগী ইমাদো
হাদা পলেম নুংশিবী?

উখিবরনে সনাগী চরোং
কাউঙমখিব্রা তুংগী খনবদা
নপারি পাঙ্গল চাওদ্রিবা
নমোম লৌশিং তাদ্রিবী
হুমাংলক্তা মীনোক তমখিবী
হাদা পলেম নুংশিবী?

ফেন মখাদা ফমসিরা
ৰাকৎসিরা ফেসবুককী পেজদা
লাওসিরা খাংঙমদ্রে মৈশাসে
হয়েংগী রিচার্জ তৌহৌসিরা
ঙাইরি খৌরাংনা ইমাবু
হাদা পলেম নুংশিবী?

মচাবু লুনা তৌজবী
অপাম্বা খুদিং থুংহনবী
ইরাল কয়াবু ঙাকপীহৈবী
নুংশিজে ঐনা ইমাতবু
হাদা পলেম নুংশিবী
হাদা পলেম নুংশিবী।

## থম্বালগী মরাইবক

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

লূরবা লাইজ ঈয়াইদা
থম্বাল কৌবী লৈরাংনা
ফুগায়না শাৎলিবা!
লম্বী খোইমু কয়ানা
থম্মোয় ঈথক হৌহল্লি।
মালংবগী শাহুমদা
থম্বালগী লৈনম্বু
হুমদুনা পুবিখি
মালেম থুংনা।
থম্বাল মাগী থমচেৎনা
লৌরাং শুরিবা
নুরা-পাখং কয়াবু
অরাম-খৌরাং কোকহল্লি।
সনা-কোনুংগী থম্বাল,
থম্বাল মাগী লৈখোক্তা
থিকোবী শঙ্গু-শঙ্গুনা
থম্বালগী লৈকাদা
য়োমশিন্দুনা, খোঙনেৎনবী
উফুল্লক্তা তিলহনবী।

## লাক্লোগবা কুমগী নোং

**—অঙোম ইবোমচা**

ওলাংথা ঋতুগী থামৈদা
নোংপোক মায়কৈ নোংদোনদা
ফুইনা হৌরকপা অঙৌবা
লৈচিলগী মপৈ-মপৈনা
লশিংগী মফোনগুম নীংথিজবনা
নঙগী শক্তমবু উৎলিবী।
নোঙ্গৌবী কৌবী চেক্লোনা
লাইজ ঈশিংতবু ঙাইজবগুম
ঙাইজরি ওমচাক্লরবা
লৌমীশিং থম্মোয়না নঙতবু।
য়েংজরি মিৎফম হোংদা
নোংদোন অতিয়াদা
কৈদৌঙৈ চুরনি হায়না
নোং ওইনা নঙনা।
সনধ্যাগী মতমনা য়ৌরকপদা
শৈশক্লি হরিনসু
নিং-নিং হায়না
মনা পূংনা অশংবা উনারক্তা।
ঙংলি কাঙনসু ঙং-ঙং
মরোল থোক্তা কোইপাই-পাই
সনধ্যাগী অমম্বা পুংজাদা
নঙগী শাহুমতবু ফংবদা।
শংবান্নরবা লৌবুক লম্ফাংনা
য়েংলি নঙতবু নোংদোলদা
হরাও মোমোন মীনোক তম
ঙাইজরি ঈখৌলাংনা নঙতবু
লাক্লোগবা কুমগী নোং
লাক্লোগবা কুমগী নোং।

## অচিকপসিদা

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

অচিকপসিদা ঙাইহাক পোথাজগে
চিক চিক লাউরবা কোকসে,
পোথাদুনা য়েংগে ঙাইহাক্তং
পুমকোয় কোয়শিল্লবা চয়েৎনবশিং;
সনা পুঙয়োল কৌরিবা লমদমসে
লৌমী শিন্মীগী খোল্লাউ
তাবীনবা লৈত্রবা ৰাকৎ,
নোংলৈগুম্না হুস্লক্লিবা মরিশুবা
পীররি চৈনাদি তোল্ল-তারবা কয়াদা।
অচিকপসিদা ঙাইহাক্তং পোথাজগে
খোংলগনু লম্লক্কী ক্বাক
সনা পুঙয়োল লমদম কংলৈপাকসিদা,
লোইবি চীংলোনসু মরূ কোক্লে
থৰায় কয়াসু পিখম্লখ্রে
মসিবু সনা লৈবাক! হাদা সনা লৈবাক!
পোক্লফম লমদম ইমাও
হুরানবগী মকোন ওইরবা ইরমদম
খল্লুবদা তুজুংলে তুংলমচৎকীদমক।
লায়রবা নঙদি শু কমলাক কুরু থাং
ঙমগদৌরিব্রা ফুরা দলানগী মপু।
খল্লরোই অমুক হন্না
অচিকপসিদা ঙাইহাক পোথাজগে।
শক্লোন য়াম্বী লৈরাং-ও

নঙনা করম্বা লৈকোন্দা লৈশাং তমগদৌরিবা?
ক্বাকমু কয়ানা মতিন য়োৎনা
হরে রাম বা বরে শোলহৌরি।
মসিরানে ওইরক্কদৌরিবা তুংলমচৎ
ইচা ইনাই মশীং হন্থরক্লে
বিজ্ঞাননা চাওখৎলকপা
ভারত নোংপোক চিদাইগী লল্লোনপোৎ
খল্লি ৰাখলনা অচিকপসিদা ইদোম তরক।

## নুংশি চারা

**—বুঙোচা খুমনচা**

থম্মোয়গী নুংশি লৈকোন্দা
থৰায়না পামজবা লৈরাং ওইদুনা
শাৎলরনি খনজরুবা
তাইওন্নরে ঙসিদি মঙজরুবা মঙলান
মঙফাওনদা তাইবঙসিদা
নঙগী নুংশি লৈনম ফংলগা
অৰা পোৎলুম থাংলিবা থম্মোয়সিনা
তাইবঙগী অৰাবা নাম্থোল্লম
তিল্লরনি পাক্ল নুংশি ঈপাক্তা
শোন্থরবা হকচাং ঐগী
তেকখৎলনি পাঙ্গল নৌহৌননা
থকচবা ফংলবা লৈরিক অমা
লৈকা থন্না য়াওরিবা
নুংশি অমৃত
অদুবু কদায় ঙসিদি
ঐগী থম্মোয় নুংশি লৈমায়দৈ
মরূ ফূক্লা ফূক্তোকপীখ্রবা
নঙগী থম্মোয়গী নুংশি চারা
ময়োন অমুক চোংলক্লরোই
য়েন্নিং অমুক হুল্লক্লরোই
অনৌবা য়েন্নিংথা অমা লাক্লসু
অনৌবা কুমগী নোংজুনা
লেপ্পা লৈত ফুইনা চুরসু।

## ৰাখলগী অহিং

**—এম নিলকুমারী**

মনা পান্দ্রবা কুমগী উনখানা কেলহনবীখ্রবা
অনৌবা লৈনা লাক্ত্রিঙৈ
ৰাওথাংনবা উশাগী মনা উনা পান্দ্রবা পাম্বীগী
নাকন্দা করি ঙাইরি ফমদুনা।
নহাক্কীদমক উরুম লাক্লরোই।
থম্মোয় হকচিক লাংনবা।
থেংনগনি অমত্তংদি,
অমম্বগী অমম্বা
খোংলক্কনি হঙোই নহা খোন্নৌবা
অহিংগী তন্দন মৈকাপ্পী।
কৌজেং হারৌ শৈশক্লনি নুংশিনা।
শৈরোন শৈথা হাপ্তুনা।
ফংলরোই নহাক্কী থম্মোয়গী উরুম
লৈথক লৈখা খোনখ্রবনি
মতম মতমগী য়াওলনি
খল্লরনু কৈদৌনুং
পেন্থোক্লো মখোয়গুম্না থাদোক্লো থম্মোয়গী
অৰা পোৎলুম।
অমম্বগী অমম্বনি।
নশা ইশাগী পোৎলুমনি
উনা য়াওদ্রবা উপালনা তেংবাংলরোই কৈদৌনুং।

## ইমা ইপাগী মীৎয়েং খাদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

য়েংবীদুনা লৈরি ঙসিসু
ইমা ইপাগী মীৎয়েং খাদা
অমুক্তংগা হন্না য়েংলমখো
অরোইবা ওইনা।
নোংমতসু লাকখিদরে
লাই ওইখ্রবা ইপা, ইপু
ইমা, ইন্দোলশিং অদো
পুন্সি খোঙচৎনি
অৰা-অনা হংখিদরে।
কুইরে উখিদবা
পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা
পাম্মু পাম্মু চৎখরে,
ঙসিদা মীৎকপ থোক্লকই
ইমা ইমা কৌরদুনা
কোয়না চৎলুই
চীংলোন কয়া লান্দুনা।
ইমা নহাক্কুম্বী লৈরমদ্রে,
ঙসিগী তাইবঙ অসিদা
অপঙবা নচাশিংবু
অনৌবা মপোক অমা অমুক
পোকপীরখোনে পলেম ইমা।

## কুমগী নোং শকহেনবা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

কুমগী নোং ও নুংশিবা
ইথংলেন মাঞ্জ পাম্মুবা
কুচু মুবা শকহেনবা
লৈচিল মপৈ ওইবা নতৌদো
উজবতা মঙায়রে ইমিৎসিনা
লাক্লনি লাক্লিনি তা হায়রগা
কেকু লোৎপী শান্নদুনা
কয়াম কুইনা লৈখিগনি?
হাঙল মালং অতিয়াদা
নোঙ্গৌবী কৌবী চেক্লোনা
নঙতবু কৌদুনা কপচবা
তাবীদ্রবরা মাগী তেংথাখোল?
লৈক্রক চৎলে ঐগী ইতম্বাকসু
নহাক্কী থৌজাল ইরিক খিক্ত্রবদা
শাৎকায়রকপা ঙমদ্রে ঐগী সিয়োম্লুংদগী
থৰায়গী থৰায় ফৌ পাম্বীশিং।
হৈথবীরক্লো কৈদৌবগে চান্নবা
ফিগাও শানা য়াজরগে
নহাক্কী নুংশি ইরিকশিংদো
খৌবুম থন্না থকচরগে
খৌগংলবা ঐগী থম্মোয়সিনা
চেজেৎ কোনশিঞ্জরগে নহাকপু
মূখুৎপীদুনা অরাম খৌরাং পূম্বা
শেম্মিন্নরসি তাইবঙ পুন্সি অনৌবা।

**মতম মতমগী ৰাখল**

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(৫)

মীওইবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী খুন্থোকলোন, হৌরকলোন লৈরি । হৌরকপদা চৎনরকপা, লৈরম্বা মওংশিংগা হৌজিক হৌজিক্কী চৎনরিবশিংগা য়েংনবদা খূদিংমক্তা মান্নদবা অহোঙবা কয়াদি লৈরগনি। হান্না লৈরমদবা কয়া তপ্লা তপ্লা হাপচিল্লকপা, শেমগৎলকপা শাগৎলকপসু য়াওগনি। মাগী মাগী অপীকপা কাঙলুপশিং লৈরম্বদগী অঙম অঙম্বা লৌশিন্নবা, কাঙলুপ অচৌবা খুৎকন পাঙ্গনবনা কাঙলুপ মচাশিং অচৌবদা তিলহনখিবা কয়া অসিনা হান্না চৎনরম্বা নাৎকী মশক্তা হোংদোক হোংজিন হাপতোক হাপচিন কয়াসি তৌনরকখিবসু থেংনৈ। ঙল্লিঙৈদা ঐখোয় মৈ হায়বা পোৎশক অসি খঙলমদে। শীজিন্নবা হৈরমদে। মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খূদিংমক্লা মৈ শীজিন্নরকখিবগী ৰারী হৌরকফম লৈনৈ । ঐখোয়গী ওইনসু মৈ শীজিন্নরকখিবসি পোইরৈতোন্না খুন্থোকলকপা মতুংদগীনি হায়রি। মী শিবদা মৈ থাদুনা পোৎলোইরমদে, লৈপাক পোৎলোই হায়দুনা ফুম্নরম্মী । মী শিবদা ফুম্নরম্বা চৎনরম্বগী ৰারীসিদি অরীবা লাইরিক্তা য়াম্না য়াওরি। হৌজিক ফাওবা ফূম্বগী চৎনবীসি মফম খরদা চৎনদুনা লৈরি ।

মৈতৈগী অরীবা চৎনরম্বশিং হিন্দু লাইনীং লাকখিবদগী য়াম্না ওনখি। হৌজিক চৎনরিবা নাৎকী মশক অসি হিন্দু মৈতৈ অনীগী য়ানশিন্নবা মশক্নি । নিংথৌ পাল্লকপা লৈপাক ওইবনা নিংথৌ শিল্লকপা খুদিংগী চৎনবী হোংলকই, হাপচিনবা য়াওরকই । গরিবনিৰাজনা পানবা মতমদা সনামহী কোলু য়ৈখাই, উমংলাই হরাউবা য়ারমদে। ভাগ্যচন্দ্রনা পানবা মতমদা উমংলাই হরাউবা অমুক য়াহনখি। হান্না মৈতৈ জগোয় লৈজরিবসিগী মথক্তা ভাগ্যচন্দ্রনা জগোয় রাস হাপচিনখি । সংকির্তন হায়বা অমসু শেমগৎলকখি চাওখৎলকখি। জগোয় রাস ঐখোয়গী নত্তে অদুবু শেল্লি শারিবা ময়াম অদু ঐখোয়গী ওইবা লাই হরাওবদগী খরা,থাং তাগী খুৎলোন খোঙলোনশিং কয়াদগীসু য়াওরি। ওঝা কয়াগী ৰাখলগী পোৎশক্কা চুংশিন্নরগা শেমখি হায়বসি অচূম্বা ওইগনি। জগোয় রাস অসি ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগী অপাম্বা মতুংইন্না ওজাশিংনা শেমখিবা ওইরগসু অমুক থেঙথরকপদা জগোয়গী ওজা গুরু কয়ানা হেন্না ফজগদবা মওংদা হাপচিঞ্জখি। ৰারী মপানগী ওইরগসু শারিবা জগোয় ঐখোয়গীনি। লাই হরাওবদগী খুৎলোন খোঙলোন জগোয় রাসতা হাপচিনখি শেমখি হায়দুনসু লাই হরাউবদা হন্থবা, তাথবা লৈতে। অনৌবা পোৎশক অমা পুথোকলকপনি ফজনবা মওংদা শেমগৎপনি। অসিগুম্বা ফজবা শেমগৎপা মওংসি নত্তবা চান্নদবা, নাৎকী মশক্তা তায়োন্নবা, ঐখোয়গী শক্তমদা শোকপা, লৈখা তাগদবা মওংদা শেমদোক শাদোকপা মথক মখা ওন্নবা খরসু ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা উবা ফংলকপসি নুংনাংনিংঙাই ওই। অহল লমনশিংনা ৰারৌজবা, থায়নগীদু নৎত্রেদা, ঐখোয় ৰারেদা, হৈনদ্রেদা য়েংহৈদ্রে তাহৈদ্রে হায়রিবা ময়ামসি মফে ফুজিললকপা চাংয়েং ময়াম অসি উরকপদগীনি।

মতম অমদা লুহোংবদা দোলাই ঙাক্তা থিন্নরম্মী । দোলাই তোংবা ফংবা লেম্নে । অঙম্বা লেন্নজনিংবা কনা অমনা শামু ৰায়রগা লুহোংবা থিন্নখি। শামুদা লুহোংবা থিল্লকপা অঙকপা ওইনা য়েংনৈ। পৈশা চাইখি। দোলাই থক্তা লুহোংবা থিনবগী ফজবা, নুংশিবদু শামুদা থিল্লকপদা য়ৌবা ঙমদে,দোল্লাইদা থিনবনা হেল্লি। লুহোংবদা দোলাইদা থিনখিবগী ঈশৈ ফাওবা শৈথাদুনা শক্লখি, কপ্লিংবা ফাওই। মবুং মৌপ্বা শাগৈ নাতৈশিংনা য়েৎ ওই শেন্নজদুনা নুপা ময়ূম তান্না থিল্লুবগী নুংগী ফজবা, নুংশিবা মতৌ লোয়নরি। হৌজিক্তি দোলাই তোংনদ্রে । মতম চঙবা কান্নদবনি খন্নে। মখল মচুগী গাড়িদা থিন্নরি। ঙসিগী লুহোংগদৌরিবী চনু নিংঙোলশিং দোল্লাই পান্নদ্রে। নুপী থিনবদা তোংনবা গাড়িগী কেরিবা লৈতেং অদু রি পব্লিকডে থৌরমদা অঙম অথৌ, মন্ত্রিনা সলামি ওকপগী তোংবা গাড়িগা মানবসু উখি। খর লৈরদি লুহোংলিবী কৈন্য সলামী তৌবগী লেপখৎলগা মীয়াম উনবা চৎলকপসু য়ারি। গাড়িগী লৈতেং অসি উবদা খল্লকপা ৰাখলনি। হৌদোকলকপদা কনাগুম্বা অমসু হেক্তা খুদুং ইন্নবা লমদমসু ওইরক্লি। দোলাইদা লুহোংবা থিনখিবগী নুংশিবদু মমল অতাঙবা গাড়িদা থিনখিবদা নুংশিবা ফাওবা ঙমদে। গাড়ি মমল য়াম্বদা তোংদুনা লুহোংবা থিনখিবগী ঈশৈ হৌজিক ফাওবগী কনাগুম্বনা শৈথাদুনা শকপা তাদ্রি শকলকপদি য়াই ইশৈদু নোক্লিংগদ্রা, কপনিংগদ্রা নুংশিগদ্রা খঙদ্রি ।

ঐখোয় মীওইবনা তান্নরিবসি চাউখৎপনি। চাউখৎপা হায়বসিদা ফজবা, অরু অহেন, ফিদম্লিংঙাই, মশাবু কনানো, করম্বা কাঙলুপনো খঙহনবা, পোক্লফম মমা লৈবাক, মরমদমবুসু মশক তাকহৌবা, খঙনহনবা শোন্নহৌনবা অমা য়াওগদবনি । মহাক্কী মতৌ তমজদুনা মাঙোন্দা চঙশিল্লক্লবা মাগী ওইরক্লবা অমসুনি। মীওইবশিংগী শকফম, লোল, কাঙলুপ অমত্তা মান্নদে । মান্নবা মশেন তিন্নবনি, নুংশিনবনি। কাঙলুপ শেম্লবনি। পংচা চা, তৌনিংবা অপাম্বা পংতৌদা তৌবা অরেপ্পা লৈতবদি কনাসু পামলকলোই। মদু চাউখৎপা নত্তে। তাওথখিবা তুরেলগী ঈশিং ইচেল কনানা শোন্নবগে ? তূংদুনা লৈবা অচৌবা ঈশিং ঈপাক সমুদ্রা খ্বাইনা শোন্নরিবসিনি। তুরেলদি মচা মচা পংলৈ লৈবা য়াই, ঙমথবা নাকল অমদসু মফম হোংদুনসু চেন্থখিগনি। অচৌবা ঈপাক্তি পংলৈ লৈবা ঙমদে। অতোপ্পা মফম হোংদুনসু চৎখিদে। সমুদ্র



পংশেম শেম্বা য়াদে, ওইসু ওইথোক্লোই। চাউখৎপা হায়বসি অৰাংবা তান্নবনি, অতোপ্পনা মতৌ তম্নবনি । মতৌ তম্নবনি হায়দুনসু চান্নদবা, হৌরকফম মান্নদবা, শাজৎ তিন্নদবগী মতৌ তমলুরগদি ওইরক্কদবা মাঙজবা অদু কনাগী ওইগদগে ?

হৌজিক ঐখোয়গী ইরৈবাক মণিপুর অসি করি ওইরিবগে? কায়থরক্লিবা হোংলক্লিবা ময়ামসি য়াম্মী। নাৎ, কলচর খক্তবু নৎত্রে । ঙমখৈগী ফিভম শোক্লি, মীতোপ মশীং হেনগৎলকই,লৈঙাকলোন শেনমিৎলোন হোংলকই, হীরম খূদিংমক্তা মশক ওল্লি, হোংলকই। পুন্নমক মরু ওইবা অরুবা ঙাক্তনি। লোইনমক অসি অমগা অমগা মরী লৈনরি। অমনা হেক ফিভম শোকখিবদা অমদুসু শোকলক্কনি। ঐনা ঙম্বা অদুদি ঐনা ঙাক শেনবা, কন্নবা হোৎনবা চংঙি। নুতি নুমিৎ খুদিংগী ঐগা লোয়নরিবা, ঐনা ঙমগদবদি নাৎ অসি ওই। ঙাঙনরিবা লোল, ফিজেৎ চাকচা, চৎনবী, শাজৎ অসিদি ইশানা লোয়নরিবা ঐনা ঙাকচবা শেন্নজবা ঙম্বা ওইরি। মরম অসিনা নাৎকী মশক অসি ঙাকপা, চাউখৎনবা হোৎনবা হায়বসি ঐহাক ঐহাক্লা ঙম্বা থৌদাং ওইগনি।

হায়নরুদ্রগসু ঐখোয়না উরবা তারবা ঙাক্তনি। ফজবা ফজদবা, তৌহৈবা তৌহৈদবা, অফ -ফত্তবা ঐখোয়না খঙঙি। ঙাইহাক্কী ওইবা থবক তৌরুবনা খন্থহৌদ্রগদি তুংগী লম্বীদা মাঙনবা ওই হায়বসি নীংশিংমিন্নবা চুম্মী। ঐখোয় ৰাখল খন্থমিন্নসি। ঐ হায়বসি লৈবনা ঐগী হৌরকফম শাগৈ জাৎ, নাৎ লোল খূদিংমক কল্লিবনি। ঐ অমা মাঙখিবদা ঐগী হায়বা খূদিংমক লৈররোই। মীনা অরানবা তৌরকপদা অরানবদু হায়রুবদা মহাক্লা শাওই। অরানবা হায়বসি খঙনা তৌবা অমা খঙদনা তৌবা অমা অনী লৈ। খঙদবদি ঙাকপীবা ঙম্মী। খঙনা তৌবদি করি হায়গদবনো খঙদ্রে,য়াদে খঙহনবা অমা চংঙি। য়াদে খঙহনবসি লন্নাই য়াদে চৎনবীনা মহাকপু খঙহনবা তাই।

ঐখোয়নদি পামখিদবা, মতম অমা চৎনরম্বা চৈরাক লোইশঙ, ৰায়েনশঙ, লোই থাবা, ৰাকোংবা, অঙাং ওলহনবা, লোক্তাক ঙাম্মী থেম্বা, ঙবোং খাও নম্বা, শুনু য়াইঙং তৈবা, ফৌরা য়াঙ্কোক য়ানবা, খুন্দগী তান্থোকপা, ইন্থোকপা , মখুৎ চাদবা, শোক্ল-শম্নবা য়াদবা কয়া অসি লমদম অসিদা চৎনরম্বা চৎনবীনি। ফৎতে হায়বসিগী অফবা লৈরমখি। ঙসিনা মরাল লৈরবসু ৰাচৎ ৰানোম্লগা থাদোকপা য়াই, মরাল কোকপীবা য়ারে। মীচং লৈত্রগদি অচূম্বনা অরানবা তাহৌরে। সঙ্গ লৈরগদি অরানবসু অচূম্বা ওইবা য়াই।

লাইরিক লাইশু হৈনরবা, চাউখৎপা লৈপাক চৎলুদ্রগসু মিডিয়াগী মতেংনা খুবাক ময়াইদা উবা ফংলবা মতম অসিদা ঙসিগী মীরোলনা ঙাঙনবা অসুক য়াম্না ৰারীবসি করিগীনো ? ৰারকপা হায়বদু হৌজিক মতম হেল্লে। খজিক্তং হায়বদা খঙনরবা ঙাক্তনি। হৌজিক ঐখোয় য়াম্না শিংনরবা মতম্নি। অঙাং মচা নাতোন শুমাং তরু তনান্না উরে । মোবাইল পায়বা ঙমলে। ঈশৈ শকপদা সুর তানা শকপা হৈনরে । অরু-অরুবা মীরোল ঙাঙবা ঙমলে, খঙলে। অহাউ অহাউবা চাবগী মহাউ খঙলে। মপান থোকত্রগসু অমাজোনদা অপাম্বা পোৎলম চেনবা হৈনরে, সোপ্পিং মোল চঙবা হৈনরে। বেঙ্ক চৎত্রগসু গুগল পে হায়ব্রা করিনো অদুদা পৈশা লৌথোক লৌশিন হৈনরে। ঐখোয়গী অহল লমনশিংদি হৌজিকসু করিমত্তা হৈথোই শিংথোইদ্রি । অদুগুম্বা ময়াম হৈতবসি খুনুং চঙলি হায়দুনা চাউখৎতে হায়রগদি অহল লমনশিংদগী তমখিবা পারাশিং মকোক্তগী লোইনা হন্দোকখিবা তাবনি। আর্কাইবসতা মিউজিয়মদা লৈরিবা ময়ামসি মমল লৈত্রবনি হায়দুনা ফুমজিনখিগদ্রা ? চীংখোংদা লেপ্পগা চীংগী অৰাংবা উরোই । চীংগী অৰাংবদি থাপ্পা য়েংলগা খঙগদবনি। ●

**–মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৰারী ককনাউ**

# মৰা লৌদে হায়সিনি

বোমচাগী মমাঙ থংবা মী লাক্লগা ফম্ফম কানি। সোফা সেট ফজবা অমা থারি। ময়ায়দা পীক্তক চেংতক তৌবা ফজরবা টেবল অমা নান্না থারি।

"ইতাও মথাসি য়াম শাইদা, পোৎ খিত্তা পায়রুসি"। মকোক খোরো খোরো হোৎতে হায়দা হেক খাকখৈ ইবোতোম্বীনা ইশুক শুকথরদুনা হায়রকই।

"কৈদৌরে অমুক, নঙগী মথাসি শাগনখ্রপোৎনি"

"অশ! কোন্না ঙাঙনসি, পোৎ খরা তারগা ৰাখল থোক্কনি, নৎত্রদি ঐ য়াররোই"

"অদুবু কৈদৌরগে হায়বনিদা"

"ইহে নঙসিদি, পোৎ খরা হান্না অমুক্তা পায়রুসি হায়বনিনে"

"পোৎকীদি ৰারুনুনে, পোৎ অকাপ্পী লৈনে, মতম ফৎত্রকানসিদা অতৈদা/ভেন্দরদা অমুক ফম্মুদ্রসু ঐগীসিদা থকসি। নঙনা হেক পাম্বা পোৎ ঐনা পীনি। অফবনি, নহান লম্বী থোকই হায়না লৌরকপনি। পোৎ ফখ্রজাৎনি। অহুমদং পায়বদা নঙ উপকদবনি"

"য়াম ফবজাৎলনে হায়সিবো?"

"ইহে মনম তাবদা খঙনি হায়সিনি"

"অঙৌবরা অঙাংবরা?"

"ইতাও, ঐসি নঙগী নতাও বোমচানিনে বোমচা। নবা ভোলকেনোগী ঈশৈ অমা লৈবদু তারবা নৎত্রা?"

"করম্বা?"

"সেকমাই সেকমাই, সেকমাই চমেল্লে" হায়দো। জপানিজ মচা, ইংলেন্দ মচা কয়া লোং লোং তাই হায়দো? অদুনি"

"অশ নঙগী ৰাতাসিদি তিনগা হেক চোইহে" হায়রগা ইবোতোম্বীদু মতিন কুৎ হেক য়োৎলিপোৎনি।

"পায়রগা খঙনি হায়সিনি। (ইমুংদা ওনশিল্লগা) শান্তি শান্তি, নঙবু তাবরো?"

শান্তিদু ইমুং কারোমদগী থোরকই। ইবোতোম্বীবু উবদা নোকফেৎ তৌরগা তরাম তরাম্না কৌরকই,

"হায়মা তাইতোম্বী, উদা কুইরেদা, কাই চৎলুবনো, য়াম থাজদেয়ে"

"ঐ ইতাওসি উনদবা কুইরে হায়দুনা লাকপনিদা, অতৈদা চৎলুবা নত্তে"

"ও... অদুদি করি চানি তৌরিসিদি" তাঞ্জাসিদা বোমচানা থোক খুম্মকই-

"চৎলো, য়েরুমদু মরি-মঙামুক্তা অমুক্তা ফজনা হাওনা ওমলেট তৌরকউ, ঙাইহাক্তা ফমিন্নগে। অদুগা ইতাওগী মথা শাবগী প্রোব্লেম অমা লৈ হায় মদু সোল্ভ অমুক্তা তৌবীগেসে। মীগী মতেং পাংবা হায়সিদগী হেন্না চাওবা কথোকপা অমত্তা লৈবা নত্তেকো। ইতাওসে মকোক খরা শারমাল্লে। অমুক্তা ঈংথহনসিনে"

"হোয় হোয় হৌরক্কে, তাইতোম্বী অদুম ফম্বীয়ুকো, ঐ ওমলেট হৌরকখিগে?"

"ইবোতোম্বীনা খুম্বগা নংদ্রিঙৈদা থোক ওকশিল্লক্লগা বোমচানা ইবোতোম্বীগী লেংজুমদুদা পোপ-পোপ থারগা,

"ইতাও, অদুম ফম্মম্মু ঐ পোৎ লৌথোক্লুখিগে। অদুগা ৰারী শাধসি ঙসিদি, কুইসু কুইরে, ইবানি অসুম্নগা ফম্মিন্নদবা? লৈরম্মুকো" ঙাঙনা ঙাঙনা বোমচাদু কারোমদা থুনা হাইজিনখি। মোই মতৈ মনাওদু য়াম্না নুংঙাইবা/অথুবা ইমর্জেন্সি অমা লাকপদৌনা হোবে হোবে হোৎনজবদু উবদা ইবোতোম্বী মথম্মোয়দা পেনজৈ, মপুক্লিংদা খঞ্জে,

"ঐগী ইতাওসি কয়াদা মরাইবক ফখ্রবনো?"

বোমচা লিটর অমা চনবা ড্রিঙ্কিং ৰাটর লেভেল নপ্তুবা অমদা লংত্রিক লংনা ফুল অমা পুথোরকই। অদুগা মখূৎ নাম্মনা ড্রিঙ্কিং বোট্টল অমনে গ্লাস অনী অমনে পায়রকই। টেবলদা কোক থম্মী।

"সি অমা অনীদং পায়বদা ৰাখল লোইনা থোল্লদবনি"

হায়নরিঙৈদা মখোঙ য়াঙবী শান্তিনা পুখমসু ওইবা প্লেটসু ওইবা চাওরপ তৌবা অমদা মনিল ৰা ৰা কারিবা ওমলেটতুগী নাকন্দা তিলহৌ খরা শোইরে, মোরোক অতেকপা অমা অনী হাপ্লে, নাকন্দা থবী অশোইবা খরা অমসু য়াওরি ওন্থোক্লা ফজনা শেম শাদুনা পুথোরকই। ফজৈদা শিন-লাংবা হৈবী/চঙখোনবী হায়দু হেক তাইদা।

"তাইতোম্বী, ঙা তাওরকখোরা? শেম্বদু কুইরনি হায়দুনা ওমলেট ওইনা হেক্তা হৌরবনি"

"য়ারে য়ারে"

"অদুম ফম্বীয়ুকো" হায়রম্মগা ৰাখঙবী শান্তিদু ইমুংলোমদা চঙখ্রে।

"কান্নদে ইতাও হৌরসি, মতম মাঙহল্লোইসি" হায়রগা বোমচানা গ্লাস অনীদুদা অহানবা পেগতু চোরোক-চোরোক হেক হৈ। ঈশিং থোক য়াশিল্লগা,

"সে ইতাও হোরেন ঙাওরগা মরৈ মরাং তৌনরগা ফুনদৌ শরুক হৌজিক গ্লাসসি অমুক থেঙ্গাইনসি সে"

অনীদু গ্লাস অনীদু নকশিন্নরগা 'ক্রেঙ' লাওনা থেংনৈ, অদুগা থকপা হৌখি। ইবোতোম্বীদি গ্লাসতুমা শোট অমদা লোইশিনখি। খুথক অমনি, চুম্নগা থকপীবা নত্তে। থোক হৈজিনখি। গুট লাওনা য়োৎলগা য়েরুমদু মচেৎ অমা লাম্মগা হুকচিনখি। অদুগা থবীদু কক-কক চিক্লগা নিশা ঙাইরি। বোমচানা মতাওগী মতৌদুদা পেঞ্জদুনা 'অশ! থুইদা, য়াম খৌরাং লৈরম্মা ৰা ওইরেকো" হায়রগা অমা অমুক হৈজিল্লি। মাসু খজিক খজিক চিং চিংদুনা থক্লি ।

"কৈদৌরবা ইতাও হায়রো নঙগী প্রোব্লেমদু সোল্ভ তৌরগে" নিশা কারকপা হৌরবা ইবোতোম্বীনা মতাওদা মপূক্লিং নুংশিনা খুমজরিপোৎনি।

"ইতাও ঐগী লাইবকসে য়াম থীবজাৎনি। ঐনবু কৈনোম তৌগে তৌরদি কোরোনাসিসু কৈনোমা হেক্তা তৌশিল্লকই। মসি ঐগী লাইবকনি। ঐসে নুপী থিবা খঙলরোইদপোৎনিদা"

"ৰাকোইদু শারনু কৈদৌগে, হায়দৌদু ময়াংদা তাপ লাউনা পায়রগা হায়রোনে"

"ইতাও সনাতোম্বীগা ঐগা হন্দকসি চেল্লসি হায়না অমুক য়ান্নরে"

"গুদ ভেরি গুদ, মমাঙদসু ২০২০দা অমা, ২০২১দা অমগা অনীরক শোয়খ্রেদনা হন্দক্তি শোয়হনবা য়াদ্রেকো ইতাও"

"মমাঙদসু অহানবগীদুনা কোরোনা লাকশিল্লক্তনা, কনাগী লৈরক ফাও শম্বল থোক থোক খাগৎনরকই, অদুদবু কায়দৈ চেনবনো। ২০২১দুনা মরোল অমা মীসি তখৎতনা হেক্তা শিজিল্লকই। অনীমক মতম থানরগা কোরোনানা হাৎখিবনি। ইতাও, হন্দকসিসু অমুক মতম হায়ফেৎ লেপ্পরকপদা কোরোনাসি জররর... হেনগৎলকই। কমাই তৌদুইনো সিনি। সনাতোম্বীনা হায়রিনা কোরোনা মৰা লৌদে, চেনশিল্লসি সিনি"

"মানা হায়দু চুম্মী, চেনশিনগদবনি। মী ৩০দা ওইরসু তিল্লগা থোক হোংহৌরদবনি। শেলসু ইচং চঙলরোই, অদুনা ফরনি ইতাও"

"ঐদি ইথন্তগা পোকপনি, চহীসু য়ামশিল্লকপসিদা খরা চাউনা হোংনীংবা, কৈন্যা কৎপৈ টাইপতদি তৌনীংদবা অদুই ৰানি ইতাও"

ৰারী মরকসিদা ইবোতোম্বীদুদি রাউন্দ মরিগুম্বা শুজিনখ্রে, ৰা ঙাঙবদা মখোল ফাইরে। নিশা ফজনা লাক্লবা হায়দু ওইরে। খুদোনবী-ও করি-ও ৰাদু শাংলপ শাংলপ ঙাঙবা হৌরবনি।

"কান্নদে ইতাও নঙ চহী লৈখৎলবনি, হন্দক্কী মতাংসিদা হোংদোকহৌরসি। ঐ লোইনা শিল্লগে, পাবুংদসু ঐ ৰারী শারগে, হৌগৎলো ঙসি হেক্তা চেনশিল্লুরসি"

"অদুনা ফরদ্রা ইতাও"

"ফনি, কোরোনানা সুম লৈরিখৈ হোংদ্রদি নঙ মপোকসিগী তোকতাবনি। কোরোনাদি পাক লোইরোই, সুম লৈরনি হায়সি তাদ্রো"

"অদুনি ইতাও সনাতোম্বীনা হায়সু, কোরোনা মৰা লৌদে সিনি"

"ঐসু হায়সিনি, কোরোনা মৰা লৌদে"

"অদুদি ঐসু মৰা লৌদে হায়সিনি"

"ফরে ফোন তৌরো, ঙসি চেল্লসি হায়য়ু"

"উম! তৌগে" হায়রগা ফোন পুথোক্তুনা কোল তৌশিল্লি। নিশানা খুদুম চনশিল্লক্লবা ইবোতোম্বীনা ফোনদু মনাকোংদা থম্মগা সনাতোম্বীনা ফোন পায়রকপা ঙাইরি।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।